ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ০৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৭৭শুবা মশীং

# ট্রাফিক্কী কাঙলোন থৌশানদবগী অশোয়বা

## কনাগুম্বা অমনা থৌশাদ্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা খূদোংথিবা মায়োক্লহনবা

মতমগী অওনবা মতুং ইন্না মালেমদা হৌজিক গাড়ীগী মশীং অঙকপা ফংনা হেনগৎলক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনসু গাড়ীগী মশীং নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক্তা মী শিবা অমসুং অশোক-অপন নংবগী চাং অসুম-অসুম ৱাংখৎলকপগী ফীভমদা লৈরি। "দি লেন্সেট" মেগজিনদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চহী খূদিংগী ইন্দিয়াদা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক থোকপদা মীওই লাখ ১.৩৮ লোম শিরি। কুমজা ১৯৯০দা এক্সিদেন্টনা মরম ওইরগা শিহনখিবা মী মশীংদগী মমাঙ চহীদনা চাদা ৫৮.৭ লোম হেনগৎলক্লে। মালেম অপূনবগী ওইনা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক্তা মী শিবগী চাংদি চাদা ৮.১ খক্তনি। ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ফগৎহন্দুনা অহোংবা লাকহন্দ্রগদি চৎলিবা চহী অসিদা মীওই লাখ ১ খূদিংগী মীওই ১৬.৮ লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক্তা শিবা য়াই হায়রি। মালেম অপূনবগী ওইনা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক্তা মী শিবগী চাং হন্থরক্লবসু ইন্দিয়াদদি অসুম-অসুম হেনগৎলকপগী মওং অমা উবা ফংলি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ট্রাফিক্কী কাঙলোন মপূং ফানা চৎনহন্দবগা লোয়ননা মতীক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা তৌদনা গাড়ীগী মশীং কা-হেন্না হেনগৎলকপদগীনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিরিবসি মোটোর সাইক্লিষ্টশিংনি। মথংদা খ্বাইদগী য়াম্না শিরিবসি খোঙনা চৎপা মীওইশিং, সাইকল থৌবশিং অমসুং গাড়ীদা তোংবশিং (অথৌবা মী নৎতবা)নি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক অসিগী রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং গাড়ীগী দিজাইন তৌবদা গাড়ী থৌরিবা মীওই অদুখক্তবু খূদোংথিবা থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপননি হায়না "লেন্সেট"কী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। মতৌ অসুম্না শেম্থোক নেম্বা অমদি ময়াই ওইরপ্পা লৈবাকশিংদা খোঙনা চৎপা মীওই অমসুং সাইকল থৌরিবশিংবু খূদোংথিবা মায়োক্লহনবগী ফীভমদা লৈরি। লম্বী খূদিংমক্তা সাইকল থৌবশিং, খোঙনা চৎলিবশিং অমসুং গাড়ী থৌবশিংগী তোঙান-তোঙানবা মফম নীংথিনা দিমার্কেসন তৌদুনা থম্বীবা তঙাইফদে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। ইন্দিয়াদা লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোকশিং থোকপদা শিরিবা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৭৭তি নুপানি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি নুপা অয়াম্বনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরগা গাড়ী থৌবা অমসুং লমজেল তান্নবগী মওংদা খোঙজেল য়াঙনা গাড়ী থৌবননি হায়রি। কলচরেল নৎত্রগা ইকনমিক ওইবা মরমদগী নুপীশিংনা রিস্ক ৱাংবা থৌরাং লৌখৎপগী চাং নেম্না লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০২০ ফাওবদা পান্দম ফংনবা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল্স (এস দি জি)গা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু ষ্টেট ১০- মণিপুর, জম্মু এন্দ কাশ্মির, পঞ্জাব, হরিয়ানা, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, কর্নাটকা, টামিল নাদু অমসুং ঝরখন্দদা মীয়াম্না লম্বীগী খূদোংথিবা থৌদোক মায়োক্লবা য়াবগী রিস্ক অদুম্মক ৱাংনা লৈরি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা নোংমা-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লিবা গাড়ীশিংগী মতীক চাবা খাম্ফম লৈতবগী মতাংদনি। তোঙান-তোঙানবা কম্পনিশিংনা অনৌবা মখলগী গাড়ী কয়া পুথোক্লরকপগা লোয়ননা গাড়ী থৌবগী চাং হেনগৎলক্লবসু লম্বীগী পাক-চাউবদি হেনগৎলকপা নৎতবনিনা ট্রাফিক জাম অমসুং এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলকপনি হায়না লৌনরি। লৈবাক অসিদা থৌনরিবা গাড়ী খূদিংমক মফম অমা নৎত্রগা অমদা খাম্বা মথৌ তাই। ইন্দিয়ন রোদ কোংগ্রেস (আই আর সী)না লেপ্পা ষ্টেন্দর্দ মতুং ইন্না গাড়ী অমা খাম্লগা থম্বদা শীজিন্নরিবা লমগী পাক-চাউবসি চাওরাক্লা স্কৱার মিটর ২৫ রোমনি। কার থৌরিবা মীওই অমনা ময়ূম-মনাক্তা, নৎত্রগা থবক মফমদা নৎত্রগা কৈথেলদা পোৎ-চৈ লৈবা চৎপদা স্কৱার মিটর ২৫ রোম পাক-চাউবা লম গাড়ী খাম্বদা শীজিন্নরি। হৌজিকমক্কী ওইনা ইন্দিয়াদা পার্কিংগা মরী লৈনবা মপূং ফাবা লো অমত্তা লৈত্রি হায়বা য়াই। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভলপমেন্টনা শেম্বা "দি নেসনল অর্বান ট্রান্সপোর্ট পোলিসি" মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট খূদিংমক্তা মতীক চাবা বিল্ডিং রুল শেম্লগা য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা গাড়ী খাম্ফম মতীক চানা থম্বা মথৌ তাই। পার্কিংগী ৱাফম অসি মরী লৈনবা ষ্টেটনা লৌগদবা থৌদাং ওইবা মরম্না অর্বান লোকল বোদিশিংনা মতীক চাবা গাড়ী খাম্ফম লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকপনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভলপমেন্টনা সিটি পূম্নমক মওং তানা শেমগৎনবগী মতাংদা পায়খৎপা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু নেসনল অর্বান রিন্যুৱেল মিশন (জনরম)গী মতুং ইন্না সিটি খূদিংমক্কী মতীক চাবা পার্কিং পোলিসি চৎনহনগদবনি। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন নৎত্রগা মরী লৈনবা সিটি দিভলপমেন্ট ওথোরিটিশিংনা গাড়ী খাম্ফম মতীক চানা লৈহনবগী থৌদাং লৌরবসু মীয়ামদা পার্কিং রুল ঙাক্লা চৎহনবগী থৌদাংদি ট্রাফিক পুলিসনা লৌরি। মোটোর ভেহিকলস এক্টকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লম্বীদা থৌরিবা গাড়ীশিংদা অপনবা পীগদবা মওংদা গাড়ী খামজিনবা য়াদে। এক্ট অসিগী মায়োক্তা লৈবা অতৈ থৌওংশিংদি, লম্বীদা খোঙনা চৎলিবা মীওইশিংগী মফম অমত্তা খাক্তবমখৈ গাড়ী খামজিনবা, নো-পার্কিং এরিয়াদা গাড়ী খামজিনবা অমসুং কা-হেন্না লম কল্লগা লম্বী তংখায় হেন্না গাড়ী খামজিনবা অসিনচিংবনি। অকক্লবা মফম অমদা পরেং শানা লম্বীগী মতাইদা পেরলেল ওইনা গাড়ী খামগদবদা ফৈনা নৎত্রগা য়ুংনা গাড়ী খামজিন্দুনা কা-হেনবা মওংদা লম কনবগী থৌওংসু এক্ট অসিনা য়াদে। লম্বী খূদিংমক লৈঙাক্কী লমনি হায়বা কাউথোক্লবদগী কনাগুম্বনা মশা-মশাগী ময়ূম মপাদা নুঙ-লৈঙোইনচিংবা পোৎলম কয়া লম্বী নাকলদা পৈশিন্দুনা থম্বা য়াওরি। ময়ূমদা গাড়ী খাম্ফম মতীক চানা লৈতবা মীওই খরনা ময়ূম মনাক্কী লম্বী নাকলদা পুং ২৪ চুপ্পা লন্নাইগী গাড়ী খাম্ফম ওইনা শীজিন্নবসু য়াওদবা নৎতে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা দুকান ফম্লিবা মীওই খরনা মীয়ামগী লম্বী চৎফম য়ৌনা পোৎ-চৈ থাংদোক্লগা য়োনবা অমসুং ফুট-পাথ পূম্নমক পোৎ য়োনফম ওন্থোক্লরকপনসু লম্বী চিনবগী চাং হেনগৎহনবনি হায়বা য়াই। কনাগুম্বনা মরক-মরক্তা লম্বী তংখায় থিংলগা ঈশৈ-নোংমাই অমসুং লিলানচিংবা হরাও কুম্মৈগী থৌরম পাঙথোকপনসু লম্বীগী খূদোংথিবা থোকহন্নবগী মরম ওইদবা নৎতে। অমনসু-অমনসু ট্রাফিক্কী কাঙলোন নীংথিনা ঙাক্লবা তারবদি হন্দক্তা চহী হৌবা নুমীৎতা নেসনল হায়ৱে ১০২গী মোইরাংখোম মপাদা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা শীংজমৈরোমদগী থৌরকপা কার অমনা থোম্বদা মীশি-মীনা য়াওখিবদু থোক্লমদবা য়াই। কনাগুম্বা অমনা থৌশাদ্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা খূদোংথিবা মায়োক্লহনবগী থৌদোক থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা হোৎনফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।

(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু।

(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো?

২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্না 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কূমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তুনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা ষ্টেরিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো?

৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?


৫। "অনৌবা য়ুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## নিংথম পাম্বীশিংদা কেলসিয়ম অমদি বারোন ৱাৎপগী লায়ওং

ডো. এম থোইথোই সিংহ







পাম্বীদা মচীঙ্গাক ৱাৎপগী লায়ওং কয়া মনাগী শক্তম অমসুং মচুনা নৎত্রগা মহৈগী শক্তমনসু ফোঙদোকই। উৎলিবা লায়ওংদুদগী পাম্বীদুদা করি ৱাৎলি হায়বদু লেপথোকপা য়াই। মনাগী অরি-অনৌ খেন্নবগী মতুং ইন্না অৱাৎপা মচীঙ্গাক্কী লায়ওং উৎফম খেন্নে। পাম্বীগী শরুক অমদগী অতোপ্পা শরুক অমদা পুথোক-পুশিন লেংথোক লেংশীন তৌবগী চাং খ্বাইদগী নেম্বা কেলসিয়ম অমসুং বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং উৎফমসি পাম্বীগী ময়োন অমসুং মহৈদা ওই।

পাম্বীদা কেলসিয়ম ৱাৎলবদি ময়োন ওইনা লৈরিবা মনাগী মতোন থংবা শরুক্তগী ঙৌথোরকপা থেংনগনি। অদুমকপু মখোকলোম থংবা শরুক্তুদি শংনা লৈগনি। য়াম্না নৌরিবা মনাদুমক্কী শরুক অহুম থোকপগী মতোন্থংবা শরুক অমখক্তু মচু মাঙখিগনি লোয়ননা কোন্থরক্কনি, পায়বদা কেমগনি। কেলসিয়ম ৱাৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি পাম্বীগী মতোন্থংবা শরুক্তুমক শিগনি, কংশিল্লক্কনি। বোরোন ৱাৎপা ওইরগনা ময়োন ওইনা লৈরিবা মপুঙ ফাদ্রিবা মনাগী মখোকলোমথংবা শরুক্তা নাপু মচু চঙলকপা অমসুং ঙৌথোরকপা থেংনগনি। করিগুম্বদা মনাদুমক শাংদোকখিদুনা চপশাং শাংনা উবসু য়াওই। অসুম্না পাম্বীগী ময়োনদা উৎলিবা লায়ওংশিং মুন্না য়েংবীরগা কেলসিয়ম ৱাৎলিব্রা নৎত্রগা বোরোন ৱাৎলিব্রা হায়বদু খঙদোকপীবা চংই।

পাম্বীদা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওই। কংলবা পাম্বীগী শরুকশিংগী চাদা ০.২ দগী অমা ফাওবদি কেলসিয়মনি। য়াওফম থোকপা চাংদগী হন্থখ্রবদি কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকই। পাম্বী মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওংশিং খেন্নে।

খামেন অশিনবা ঃ খামেন অশিনবদা কেলসিয়ম ৱাৎলবদি মতোনলোমথংবা মনাশিং কংশিল্লকই। পাল্লিবা খামেনগী মতোন্থংবা শরুক নৎত্রগা মখোকলোমথংবা শরুক্তা কোরোক-কোরোক কোয়না মুশিন মুনা খামদেকপা অমসুং কুত্তক তৌনা লৈগনি। খামেন অশিনবদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়নাবু কোকফাই লায়নানি খন্দুনা কোকফাই হীদাক কয়া কাপ্পসু তোয়না থেংনরি। খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি।

কোবী ঃ কোবী, হঙ্গাম কাঙবুদদি কেলসিয়ম ৱাৎলকপগা ময়োন ওইনা লৈরিবা মনাশিং মচু ওল্লকপা অমসুং কোন্থরকপা থেঙনগনি। ময়োন্দু শিথরকই। নৌরিবা পাম্বীশিংদা ওইরগদি অয়াম্বা মনাশিংগী অশংবা মচু মাঙথরকই।

গাজর ঃ গাজর শালগোমগুম্বা পাম্বীশিংদদি নৌরিবা মনাশিং কংশিল্লকপদা নৎতনা মনাগী মখোক্তুমক কংশিল্লক্তুনা তুথরকই।

আলু ঃ আলুগী মতোন্থংবা মনাশিং পীকই। মনাগী মতাইথংবা শরুকশিংগী অশংবা মচু মাঙথরকই। য়ুংনা কোনশিল্লকই। ময়ায় থংবা অচৌবা মশিং তম্না কোনশিল্লকই। আলু তাবগী চাং য়াম্না হন্থে। আলু পাম্বীদা মখল কয়াগী মচীঙ্গাক ৱাৎলকপদা পোথোক য়াম্না হন্থে। অদুবু কেলসিয়ম ৱাৎলক্লবদি পোথোক্কী চাং অমুক্কা হেন্না হন্থে।

| মচীঙ্গাক অরুম্বা(গ্রাম) | | চাংচক্তা আলু অমগী |
| --- | --- | --- |
| মচীঙ্গাক শুরবা লৈবাক | - | ৬০.১ |
| নাইট্রোজেন হাপ্তুবা/য়াওদবা | - | ২৬.৮ |
| ফোসফোরস য়াওদবা/হাপ্তুবা | - | ৩০.৮ |
| পোটাস য়াওদবা/হাপ্তুবা | - | ১৬.৯ |
| মেগনিসিয়ম য়াওদবা/হাপ্তুবা | - | ১৫.৬ |
| কেলসিয়ম য়াওদবা/হাপ্তুবা | - | ২.৪ |

কেলসিয়ম ৱাৎলবা আলুগী পোথোক হন্থবনা মতম মতমগী লায়ওংশিং চেকশিন্না য়েংশিনবা চংই।

চুজাক ঃ চুজাক, ফৌগুম্বা সিরিয়েলশিংদদি পাম্বীগী ময়োন ওইনা লৈরিবা অমসুং মনাশিংগী ময়োনশিং মপুং ফানা থিনগৎপা ঙমদে।

কোলি হৱাই ঃ কোলি হৱাই অমসুং মঙ্গলগুম্বা পাম্বীশিংদদি মনাগী মতাই থংবা শরুকশিং ইপৎ পথনা লৈগনি অমসুং মনাগী মচু তাইফেৎ তাইনা লৈগনি। মতোনলোমথংবা মউগী শরুক্তু লেকথদুনা লৈগনি। হায়রিবা হৱাইদুগী মরুশিংদু মপুঙ ফানা চাউখৎতে। চাউবা হেন্দে।

পাম্বী শরুক অমদগী অতোপ্পা শরুক অমদা ইরায় লায়না পুথোক পুশিন তৌবা ঙমদবা কেলসিয়ম অমসুং বোরোনগুম্বা পাম্বীগী মচীঙ্গাকশিংদা নৎতনা অতৈ অতোপ্পা চাং নেম্না দরকার ওইবা মচীঙ্গাকশিং অসিদি ঈশিংদা তুমহল্লগা স্প্রেয়রগী মতেংনা কাপ্পসিনা পাম্বীশিংদা হেন্না লায়না ফংহল্লি। অদুমকপু ঙসিদি কেলসিয়মগীদমক কেলসিয়ম নাইট্রেট অমসুং বোরোনগীদমক নাইট্রো বোরেক্স ওইনা শীজিন্নরকপদগী পাম্বীশিংনা মচল অনী অসিবু ফংবদা লায়হল্লে। ●

# বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি/বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং

ডো: য়ুম্নাম বেদজিৎ




বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি হায়রিবা অসি অমোৎ-অকায় নৎত্রগা কান্নদ্রবা পোৎশকশিংবু অফবা নৎত্রগা কান্নবা পোৎশক ওন্থোক্লবগী থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌওং অসি ঙা য়োকপদা শীজিন্নরবদি বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং হায়না খঙনৈ।

বাইওফ্লোক হায়বসি Algae, Bacterial, Protozoans অমদি Organic Matter খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাগী মথি, চাবা লোইহৌদবা মচিঙ্গাক ময়াম পূনশিন্দুনা শেম্বা পোৎশক অদুবুনি। বাইওফ্লোক্কী থৌওং অসি অপিকপা গ্লাসকী Tank শিং/Fiber Glass, Reinforce Plastic Tank নৎত্রগা অচৌবা পুখ্রিশিংদসু তৌবা য়াই। অপিকপা মফমদা ঈশিং য়াম্না চংদনা পাঙথোকপা য়াবা থৌওং অমা ওইবা মরম্না হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না কান্নবা থৌওং অমনি। কনাগুম্বা অমনা ঙা য়োক্লবা অচৌবা লম লৈত্রবসু য়ূমগী মফম অমদা অদুমক পাঙথোকপা য়াবা থৌওং অমনি।

বাইওফ্লোক শেম্বা অমসুং মথৌ তাবা কার্বোন পীশিনবা :

ঈশিং লিটর তরামুক চনবা প্লাষ্টিক্কী তপ অমদা Nitrogen source ওইনা Ammonium Sulphate 10mg/l অমসুং Carbon source ওইনা (Glycerol, Sodium Acetate, Sugar, Tapioca Flour, Wheat Flour, Molasses etc) চিনি অঙাংবা, গেহু পাওদরগুম্বা 400 mg/l লোয়ননা 20g/l পুখ্রিগী লৈবাক লৌরগা য়ানশিন্নবীরগা পুং ২৪ থমগনি। হায়বদি নোংমা লৈরবা মতুংদা ঙা য়োক্কদৌরিবা টেঙ্কতা 1:100 হায়বদি ঐখোয়না শেল্লিবা Biofloc inoculum অসিনা শরুক অমা ওইবা মতমদা ঈশিংনা শরুক চাম্মা ওইহন্দুনা ঙা য়োক্লবগীদমক শেম্বীগনি অমদি aeration হায়বদি নুংশিৎ থাজিন্দুনা ঈশিং অদু কন্না লেংহন্দুনা বাইওফ্লোকশিং অদু তাওহন্দুনা লৈহনগনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা লৈগদৌবা C:N গী রেসিও অসি 15:1 নি।



বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিদা য়োকপা য়াবা ঙাশিংদা য়াওগদবা মগুনশিং -

(১) অপিকপা মফমদা ঙা মশীং য়াম্না য়োকপা য়াগদবনি।

(২) ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং খরা নেম্লবসু ফজনা হিংবা ঙম্বা ওইগদবনি।

(৩) ঈশিং অনৈবদা ফজনা হিংবা ঙম্বা ওইগদবনি।



(৪) ঈশিংদা য়াওবা মচিঙ্গাকশিং চুমদুনা হায়বদি ফিল্টর তৌদুনা চাবা ঙম্বা ওইগদবনি।

(৫) ওমনিভরস হায়বদি পাম্বী অমদি শা-ঙা পূম্নমক চাবা ঙা ওইগদবনি।

(৬) ম্যুরোবিএল পার্টিকলসশিং তুম্বা ঙম্বগী মগুন চেনবা ঙা ওইগদবনি।

বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিগী কান্নবশিং :

১) বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসি অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দবা থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা শীজিন্নরিবা ঈশিংশিং অসি পাৎ, তুরেলনচিংবদা তুরেলনচিংবদা থাদোরক্তবনা মরম ওইদুনা অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দবদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা য়োকপদা শীজিন্নরম্বা ঈশিংদা ওর্গানিক মেট্টর, লৈহাও লৈবা পোৎশকশিং, লায়না তীলনা থোকহনবা য়াবা মহীকনচিংবা কয়ামরুম য়াওরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়শিং অসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা পাৎ, তুরেলনচিংবদা থাদবনা মরম ওইদুনা অকোয়বগী খল কায়হন্দবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

২) কা মনুংদা পাঙথোকপা য়াবা অমদি ঈশিং শিনবগী চাং য়াম্না নেম্বা মরম্না অইংবা মফমদা লৈবা হৈনদবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা তুংহনবীগুম্বা ঙাশিংদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী।

৩) ঙাগী মচিঙ্গাক শেম্বা মতমদা ঙা মকুপ অমদি ঙাগী থাও অসুক্কী মতিক চংই। তৌইগুম্বসুং বাইওফ্লোক মিল ওইনা শীজিন্নরবদি ঙা কয়া কন্দুনা অকোয়বগী ফীভম কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

অপিকপা জিবশিং হায়বদি বাইওফ্লোক অসিগী মরুওইবা মথৌ অনী লৈ।

(১) C:N গী রেসিও চাং ৱাংবনা মরম ওইদুনা Nitrogen waste/compound শিং শীজিন্নদুনা Meirobial protein পুথোক্তুনা ঈশিং ফহল্লি।

(২) ঙাদা মচি ওইবা মচিঙ্গাক ফংহন্দুনা ঙাগী মচিঙ্গাক লৈবদা চংগদৌবা শেল হন্থহল্লি। ঐখোয়না ঙাগী মচিঙ্গাক পীজবা মতমদা প্রোটিন য়াম্না ৱাংবা মচিঙ্গাক পীজরবদি মদুদা য়াওরিবা নাইত্রোজেন অদুগী চাদা হুম্ফুতরাদি অকোয়বগী ঈশিংদা য়াওদুনা লৈহৌই। হায়রিবা নাইত্রোজেন অসি বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিদা শীজিন্নরিবা মাইক্রোওর্গানিজমশিং অসিগী মতেংনা য়াম্না কান্নবা পোৎশক ওইহল্লকই। অসুম্না বাইওফ্লোককী থৌওং অসিনা ঈশিংদা য়াওবা নাইত্রোজেন অমসুং এমোনিয়া হন্থহনবদা নত্তনা ঙাগী মচিঙ্গাক ওন্থোকহন্দুনা ঙাগী মচিঙ্গাক্তা চংগদৌবা শেল হন্থহল্লি।

(৩) বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা তুংহনবী য়োকপা মতমদা ক্যুবিক মিটর অমগী ঈশিং হায়বদি লিটর ১০০০ নৎত্রগা টোন অমগী মফমদগী থা মঙাদা চাওরাক্লা ঙা কিলো তরামুক পুথোকপা ঙম্মী। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।